# রিও ওলেম্পিক্স ঃ ইন্দিয়ানা বেলজিয়মগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

## সানিয়া-বোপান্না, গগন, চ্যেন, নেহৱাল, মনোজ, দিপা কর্মাকর মায়থীহৌখ্রে








রিও দি জানেরো, ওগষ্ট ১৪ ঃ ষ্ট্রাইকর সেবেষ্টিয়ন দোকিয়রনা চনখিবা গোল অনীনা বেলজিয়ম্না মফম অসিদা চৎথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা নুপা হোকিগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াবু ৩-১ দা মায়থীবা পীরমখিবগা লোয়ননা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

বেলজিয়মগী মখূৎতা মায়থীহৌরবা ইন্দিয়ানা নিংবা কায়না রিওগী নুপা হোকিগী কেম্পেনদগী মপান থোকখ্রে। ইন্দিয়ানা অরোইবা ওইনা কুমজা ১৯৮০ দা পাঙথোকখিবা মোস্কো ওলেম্পিক্সতা গোল্ড মেদল লৌখি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী গোল অদু অক্সদিপনা অহানবা ক্বার্টরদা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মতুং তারকপদা বেলজিয়মগী দোকিয়রনা ৩৪ শুবা মিনিটতা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

দোকিয়রনা অমুক হন্না মেচকী মিনিট ৪৫ দা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

বেলজিয়মগী অহুমশুবা গোল অদুনা টোম বুননা মেচকী মিনিট ৫০ চৎপা মতমদা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা ৩-১ দা ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীরমদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

**বেদমিন্টন** ঃ ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা মায়থীবা অমা ওইনা মেদল লৌগনি হায়না আশা চাউনা তৌখিবা সাইনা নেহৱালনা মফম অসিদা চৎথরিবা নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলসকী মহাক্কী গ্রুপ জিগী অনীশুবা মেচতা থাক নেম্না লৈরিবা য়ুক্রেনগী মারিয়া উলিটিনাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অমদি ৱর্ল্ডনম্বর ফাইভ সাইনা নেহৱালনা ৱর্ল্ডগী ৬১ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মারিয়াগী মখূৎতা ১৮-২১, ১৯-২১ দা মায়থীহৌখি। রিও সেন্তরগী পেবিলিয়ন ফোরদা পাঙথোকখিবা মেচ অদু মিনিট ৪৯ চঙনা শান্নদুনা মারিয়ানা মায় পাকখিবনি। মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা ইন্দিয়ন ষ্টার অসিনা মহাক্কী ওপনিং মেচতা ব্রাজিলগী বিনসেন লোহেনিবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখিবনি।

**শুটিং** ঃ রাইফল শুটর গগন নরঙ অমদি চ্যেন সিংহনা মফম অসিদা চৎথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপাগী মেন'স রাইফল থ্রি পোজিসনগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ইভেন্টতা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখ্রে।

চহী মরিগী মমাঙদা লন্দন্দা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসকী নুপাগী মিটর ১০ গী রাইফলদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা নরঙনা শুটর ৪৪ না শরুক য়াখিবা অদুদা ৩৩ শুবা স্পোটতা লৈখি। অদুগা চ্যেন সিংহনা ২৩ শুবা মফমদা লৈখি। নরঙনা মহাক্কী অপূনবা পোইন্ট ১১৬২ স্কোর তৌখি অদুগা চ্যেননা পোইন্ট ১১৬৯ ফংখি।

**বোক্সিং** ঃ মমাঙগী কম্মন ৱেলথ গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মনোজ কুমারনা মফম অসিদা চৎখিবা নুপা বোক্সিংগী কেজি ৬৪ কাঙলুপকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ৫ শুবা সীদ ফাজলিদিন গাইবনাজারোবকী মখূৎতা ০-৩ দা মায়থীদুনা গেমস অসিদগী মপান থোকখি।

**জিম্নাষ্টিক** ঃ ইন্দিয়াগী দিপা কর্মাকরনা মফম অসিদা চৎথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী ভোল্ট ফাইনেলদা মরিশুবা পোজিসন তাহৌদুনা মেদলগী আশা মাঙখ্রে। দিপানা মহাক্কী ফাইনেল স্কোরদা ১৫.০০৬ লৌখি। অদুগা অমেরিকাগী সিমোন বাইলসনা পোইন্ট ১৫.৯৬৬ লৌদুনা গোল্ড মেদল, রসিয়াগী মারিয়া পাসেকানা ১৫.২৫৩ ফংদুনা সিলভর মেদল অমসুং স্বিটজরলেন্দগী গিয়ুরিয়া ষ্টৈঙরবরনা ১৫.২১৬ লৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

### OLYMPICS MEDALS

| POS. | COUNTRY | GOLD | SILVER | BRONZE | TOTAL |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | USA | 24 | 18 | 18 | 60 |
| 2 | CHINA | 13 | 11 | 17 | 41 |
| 3 | GREAT BRITAIN | 10 | 13 | 7 | 30 |
| 4 | GERMANY | 8 | 5 | 3 | 16 |
| 5 | JAPAN | 7 | 3 | 14 | 24 |
| 6 | RUSSIAN | 6 | 9 | 8 | 23 |
| 7 | AUSTRALIA | 6 | 7 | 9 | 22 |
| 8 | ITALY | 6 | 7 | 5 | 18 |
| 9 | KOREA | 6 | 3 | 4 | 13 |
| 10 | FRANCE | 5 | 8 | 5 | 18 |
| 11 | HUNGARY | 5 | 3 | 3 | 11 |
| 12 | NETHERLANDS | 3 | 2 | 3 | 8 |
| 13 | SPAIN | 3 | 0 | 2 | 5 |
| 14 | NEW ZEALAND | 2 | 6 | 0 | 8 |
| 15 | CANADA | 2 | 2 | 8 | 12 |

### Indian athletes for Day 9 at the Rio 2016 Olympics.

**August 15, 2016 (Monday)**

*Wrestling* Greco-Roman 85 kg - 7:00 PM Ravinder Khatri

*Athletics*

Discus Throw - 5:00 AM Seem Punia

*?Long Jump qualification* - 5:50 AM Ankit Sharma

**August 16, 2016 (Tuesday)**

*Wrestling* Greco-Roman 98 kg - 7:00 PM Hardeep

*?Athletics* Men's 200m Heats - 4:50 AM Dharambir

**August 17, 2016 (Wednesday)**

*Golf* Female - Round 1 - 4:00 PM Aditi Ashok

*?Athletics* Male and Female - Preliminary, Final (800m - Women) - 6:00 PM Tintu Luka

*Wrestling* Freestyle 58 kg - 6:00 PM Sakshi Malik

Freestyle - 48 K?g Vinesh Phogat - 7:00 PM

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১৬

1. কুমজা ১৯৬৬ তা ইংলেন্দা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোকখি। মদুদা ৱেম্বলি ষ্টেদিয়মদা ফ্রান্স অমসুং উরুগ্বেগী টিম্না শান্নগদবা মেচ অমা অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অমদা হোংহনখি। মসিগী মরম করিগীনো?
2. ওলেম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্সতা শরুক য়াগে হায়রবদি শান্নরোয় অমগী মশাগী চহী কয়া শুগনি?
3. মখাগী ৱাহৈশিং অসি করম্বা হঙ্গেরিগী ৱর্ল্ড কপ শান্নরোয় অমনা হায়খিবগে -"পুৱারীদা খ্বাইদগী ফবা (হৈবা) ফুটবোল শান্নরোয়দি দি ষ্টেফেনোনি। ঐহাক পেলেবু শান্নরোয় অমা ওইনা লৌদে, মহাক্তি মসিদগী হেন্না ৱাংনা লৈ"।
4. ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী অমা, শেঞ্জেংগী অনী ফংখিবা শান্নরোয় অমা মশাগী চহী ৯৭ শুবা মতমদা কুমজা ১৯৯৬ কী অটলান্টা ওলেম্পিক্কী হৌদোকপগী থৌরমদা চেবাউ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। খ্বাইদগী শাংনা পুন্সিবা ওলেম্পিক্কী মেদল ফংবা শান্নরোয় অসি মশাগী চহী ১০১ শুগদবা নুমিৎ মরিনি ৱাৎলিঙৈদা কুমজা ১৯৯৯ দা লৈখিদে। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
5. শ্রী পাঙম্বম নিলকমল সিংহনা মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওলেম্পিক্কী শান্নরোয়নি, মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা কম্মনৱেলথ গেমসদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয় অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্টরনেসনল মার্সেল আর্টসতা শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ ঃ

চিনাগী মকাউদা ওগষ্ট ১৫ দগীনা ১৮ ফাওবা চাইনিজ ট্রেদিসনেল স্পোর্টস এসোসিএশন অমদি জিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন্না খূৎশম্নরগা পাঙথোক্কদৌরিবা তরুকশুবা মকাউ ইন্টরনেসনল মার্সেল আর্টস গেমস ২০১৬ তা শরুক য়ারুনবগীদমক ইন্দিয়াগী শান্নরোয় তরেৎ ঙসি ইন্দিয়া থাদোকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশতগী নুপী শান্নরোয় য়ামিনি পোটবেরি, য়ু পিদগী নুপা শান্নরোয় পারথ গোয়ল, গুজরাটতগী ভিশেশ মীথিয়া, মহারাষ্ট্রদগী সিদার্থ থোশার, টামিল নাদুদগী তনুশ, কর্ণাটাকাদগী মনিরাজু অমসুং মণিপুরদগী এম দি রোমিওনি।

হায়রিবা ইন্দিয়ন মার্সেল আর্টস টিম অসি মণিপুরী মচা গ্রান্দ মাষ্টর ক্ষেত্রিময়ূম য়ুগেশ্বর (ইন্দিয়ন কৌশুক ফেদরেসনগী চ্যেরমেন) না লুচিংলি।

## ইন্দিয়াদা হোকিগী ঈহৌ লাকখিবা অমসুং ওলেম্পিক্স এরেনা য়ৌরকখিবা



*ইন্দিয়ন হোকি টিম - বর্লিন - ১৯৩৬*

হান্নগী মখা...

টোকিওদা কুমজা ১৯৬৪ দা পাঙথোকখিবা টোকিও ওলেম্পিক্সতদি ইন্দিয়ানা হান্নগী মফম কনবা ঙমখি। কুমজা ১৯২৮ দগী হৌরগা থংনা থংননা তরুকরক্তি অহানবা রেঙ্কিংদা লৈবা ঙমখি। টোকিও ওলেম্পিক্স অসিগী অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা বেলজিয়ম্বু ২-০ দা থোইখি। অনীশুবা মেচতনা জর্মনিগা ১-১ দা দ্রো ওইখি। অহুমশুবা মেচতসু স্পেনগা ১-১ দা দ্রো চৎখি।

**ওলেম্পিক হোকিদা ইন্দিয়া**

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

অদুবু হোং কোংগা শান্নবদদি ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। মালেসিয়াগা শান্নবদসু ইন্দিয়ানা ৩-১ দা থোইখি। মথং কনাদাগা থেংনবদসু ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। নেদরলেন্দসগা শান্নবদসু ২-১ দা থোইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবদসু ৩-১ দা থোইবা ঙমখি। অদুবু পাকিস্তানগা থেংনবদদি গোল অমখক চনবা ঙমদুনা ১-০ দা মায়থীবা পীখি। অসুম্না টোকিও ওলেম্পিক্সতদি গোল্ড মেদল পুরকখি।

কুমজা ১৯৬৮ গী মেক্সিকো ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়া অহুমশুবা থাক্তা লৈখি। হায়রিবা চহীসিদগী হৌরগা ইন্দিয়ান হোকিদা অহোংবা খরা অমুক লাকখি। মেক্সিকো ওলেম্পিক্সকী অহানবা মেচতা ইন্দিয়া ন্যুজিলেন্দগী মখূৎতা ১-২ দা মায়থীখি। মখা তাবা মেচশিং ৱেষ্ট জর্মনি, মেক্সিকো, স্পেন, বেলজিয়ম, জপান, ইষ্ট জর্মনিনচিংবা মায়থীবা পীবা ঙম্লবসু ইন্দিয়া ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা সেমী ফাইনেলদা ১-২ দা মায়থীবা ফংখি। চহীদুদা পাকিস্তান্না গোল্ড, ওষ্ট্রেলিয়ানা শিলভর অদুগা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি।

মসিগী মখা চৎথরকপা ম্যুনিক ওলেম্পিক্স ১৯৭২ দসু ইন্দিয়া থার্দ তারগা হল্লকখি। টিম মথং মথং কারল্লবসু নেদরলেন্দস অমসুং পোলেন্দগা শান্নবদা দ্রো চৎখিবা, পাকিস্তানগা সেমী ফাইনেল থেংনবদা ০-২ দা মায়থীখিবনা মরম ওইরগা থার্দ রেঙ্কিংদা লৈহৌখি। ম্যুনিক ওলেম্পিক্স গেমস ১৯৭২ দা ৱেষ্ট জর্মনিনা অহানবা, পাকিস্তান্না অনীশুবা তাখি।

কুমজা ১৯৭৬ কী মোন্ত্রিল ওলেম্পিক্স গেমসতদি ইন্দিয়ন হোকি টিম তরেৎশুবা থাক্তা হাইথখি। নেদরলেন্দ, ওষ্ট্রেলিয়ানচিংবগী মখূৎতা ১-৩ অমদি ১-৬ তা মায়থীবা নংখি। হায়রিবা চহীদুদদি ন্যুজিলেন্দনা গোল্ড, ওষ্ট্রেলিয়ানা সিলভর, পাকিস্তান্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

-মথং-মথং

## থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন লীগতা পি ৱাই সি অমসুং দল্লিয়ু ৱাই সি দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শিন্দুনা চৎথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা পি ৱাই সি অমসুং দল্লিয়ু ৱাই সি দ্রো ওইখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা দল্লিয়ু ৱাই এফ সি মায় পাকখ্রে।

টিম ৯ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চৎথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা পি ৱাই সি অমসুং দল্লিয়ু ৱাই এফ সি গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক্না য়াম্না হৈশিংবা মান্নদা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। মেচ অদুদা পি ৱাই সিগী এস এম শামিরনা মেচকী ২৩ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। গোল শোথরিবা দল্লিয়ু ৱাই সিগী ইক্বেলাইজর গোল অদু এল জেটলিনা মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা পি ৱাই সিগী এস এম লাসা অমসুং দল্লিয়ু ৱাই সিগী এল সিটলজিৎনা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দল্লিয়ু ৱাই এফ সিনা এল পি ৱাই সি গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা দল্লিয়ু ৱাই এফ সিগী অহানবা গোল চীংনুংঙানবনা মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ৱাই জয়চন্দ্রনা মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি। এল পি ৱাই সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৱাই ইথোইনা মেচকী ২ শুবা মিনিটতা চনখি।

## এম য়ু ইন্টর কোলেজ চেছ টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মিৎয়েং মখাদা এম বি কোলেজনা শিন্দুনা হৌখিবা তাং ১২ দগী চৎথরকখিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ মেন'স এন্দ ৱিমেন'স চেছ টুর্নামেন্টগী টিম চেম্পিয়ন মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজনা ওইখ্রে। টিম রন্নর্স-অপনা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সনা অদুগা লিবরেল কোলেজ লুৱাংশঙবম্না অহুমশুবা তাখ্রে।

নুপীগী ইন্দিভিজুএলদা দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সগী এ বিন্দিনা অহানবা পোজিসন, জি পি ৱিমেন'স কোলেজগী কে ঐচ প্রিয়াঙ্কানা অনীশুবা, মোর্দন কোলেজগী এল রবিনানা অহুমশুবা অদুগা এম বি কোলেজগী এম মিনাকুমারিনা মরিশুবা পোজিসন তাখ্রে।

নুপাগী ইন্দিভিজুএলগী কাঙলুপ্তা এল এম এস লো কোলেজগী ৱাই প্রিতম কুমারনা অহানবা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এল পিটরনা অনীশুবা, এম বি কোলেজগী কে পোইরৈখোম্বনা অহুমশুবা অদুগা কোলেজ অসিমক্কী শান্নরোয় কে রোমিওনা মরিশুবা পোজিসন তাখ্রে।

এম য়ু ইন্টর কোলেজ চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা কোলেজ ১৪ দগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী চেছ শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখি।




HL-B/3252/8/8-7/9

লেংশিনবিরকউ/

হুইয়েন লানপাউগী

অনৌবা ওফিস

কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক

খুদোংচাবা লৈগনি

- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :

অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা

হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স



HL-B/3223/29/07-28/08



HL-B/3256/12-8 to 11-09

